# পেট্রিকনা পেনাল্টিদা চনখিবা গোলনা ট্রাউনা চর্চিল ব্রদর্সবু মায়থিবা পীদুনা টেবলগী ৮ শুবা মফম কনখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৪ (এস এন এস)ঃ

১৩ শুবা হিরো আই লীগ সিজনগী মনুং চন্না ঙসি ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা ট্রাউ এফ সিগী ৮ শুবা হোম মেটচ ওইনা গোৱাগী চর্চিল ব্রদর্সগা শান্নখিবা মেটচতা পেট্রিক উগুচিনা পেনাল্টিদা চনখিবা গোলনা য়ুম্বুনা ভিজিটরবু ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ টেবলদা পোইন্ট ১৯ ফঙদুনা ৮ শুবা মফমদা লৈবা ঙমখ্রে। অদুগা মায়থিরবা চর্চিল ব্রদর্সনা পোইন্ট ২০ ফঙদুনা টেবলগী ৪ শুবা মফমদা লৈরি।

ট্রাউগী কোচ ওইরম্বা দিমিট্রিস দিমিট্রিয়সনা ক্লব অসিবু থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মতুংদা লীগ মেটচ ৭ শান্নবদা মায় পাকপা ঙমদনা লাকখিবগী লম্বী অদু ঙসিগী পোইন্ট ৩ ফঙখিবা অসিনা লোয়শিনবা ঙমখিবগা লোয়ননা সিজন অসিদা ট্রাউনা চর্চিল ব্রদর্সবুসু অনীরক মায়থিবা পীবা ঙমখ্রে।

য়ুম্বু কোচ এম নন্দাকুমারনা মোহন বগানগা শান্নখিবা ষ্ট্রাটিংদগী সয়ান রোই, ৱাহেংবম অঙৌসনা, দিনিচন্দ্র মীতৈ, লাইশ্রম প্রেমজিৎ অমদি জিওল সন্দে লৌথোক্তুনা মিথুন শমন্তা, তানমোই গোস, কৃষ্ণনন্দা, প্রিন্সৱিল অমদি নৌনা খূৎয়েক পীনখিবা রোমানিয়ান ফোদৱাদ পিট্রু লিয়ুকানা মহুৎ শীনখি। অমদি ভিজিটরগী কোচ ব্রর্নাল্ডোনা ইষ্ট বেঙ্গলগা শান্নখিবা ষ্ট্রাটিং অদুমক হোঙবা লৈত্তনা শান্নহনখি।

মেটচ হৌরকপগী মিনিট ৫ গী মনুংদা ভিজিটর চর্চিল ব্রদর্সনা লাকশিন্না শান্নখিবনা খুদোংচাবা কয়া ফঙখি অদুবু ভিজিটরগী এটেক্কিং লাইন অপ লুচিঙখিবা ইমানুএল প্রেদ্রো অমদি ক্লাজাগী গোল এটেমশিং অদু খরানা নেটকী নাকলদা অদুগা খরানা বার মথক্তা চৎখিদুনা অরেম্বা তাখি।

ভিজিটরনা বোল পোসিসনদা কন্ট্রোল তৌরগা নীংথিনা ওর্গনাইজ তৌখিবনা কোন্নর কয়া থঙননা ফঙখ্রবসু ট্রাউগী দিফেন্স লাইননা মশক থোক্লা শান্নখিবনা গোলদা ওন্থোকপা ঙমহনখিদে। অহানবা হাল্ফকী পুঙ্খায় চৎলকপদা ভিজিটরগী সিসেননা ট্রাউগী দিফেন্স লান্থোক্তুনা মহাক্কী টিমমেদ প্রেদ্রোগী চেনলকপা মায়কৈদা খুদোংচাবা শেমখি অদুবু পেদ্রোগী গোল এটেম অদু ট্রাগেট চুমখিদে।

অনীশুবা হাল্ফতা য়ুম্বু ট্রাউনা অচেৎপা থজবা অমগা লোয়ননা শান্নরক্তুনা অহানবা হাল্ফতা লৈখিবা মখোয়গী অশোয়বশিং অদু মেন্সিলক্তুনা নেত্রজিৎনা মিনিট ৪৭ চৎপদা ভিজিটরগী ক্লান গোমেসতগী ফঙদুনা কাওশিনখিবা বোল এটেম অদু পোষ্টতা পান্দুনা থক্তোকখি। অমদি মিনিট ৫২ চৎপদা ভিজিটর চর্চিল ব্রদর্সগী লালখাওমাপুয়ানা বোক্স তম্না খায়রকপা ক্রোশিংদা প্লাজাগী হেদ্দিং অদু নীংথিনা কনেক্সন তৌবা ঙমখিদে।

য়ুম্বুগী মায়কৈদগী হনবা লৈত্তনা চথরকপা এটেকনা মিনিট ৭৭ চৎপদা ট্রাউগী জোসেপ ময়োৱাদা ভিজিটরগী ট্রিনিদাদ এন্দ তোবাগোগী দিফেন্সর রোবার্ট জুনিয়রনা বোক্স মনুংদা ফাওল তৌরুমগীদমক পেনাল্টি ফঙখি। পেনাল্টি অদু পেট্রিক উগুচিনা গোলদা ওন্থোক্তুনা য়ুম্বুবু ১–০ দা মাঙজিল থাহনখি।

মেটচকী লেমহৌরিবা মিনিটশিংদা চর্চিল ব্রদর্সনা শোত্থরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা শান্নখ্রবসু ট্রাউগী দিপক দেবারানিনা লুচিঙবা দিফেন্স লাইননা অরোয়বা মীকুপ ফাওবা খোঙফম চেৎনা লেপ্পুনা শান্নখিবনা পেট্রিক উগুচিগী গোলনা ট্রাউবু মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি।

মেটচ অসিগী হিরো ওফ দি মেটচনা ট্রাউগী শৌগ্রাকপম নেত্রজিৎনা তাখি।

ট্রাউগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ৮ গী নুংথিল পুং ৫ তাবদা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়ান এরোজগা শান্নরগনি।

লীগ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা ঙসি টি আর সি গ্রাউন্দ শ্রীনগরদা রিয়েল কাশ্মির অমদি নেরোকা এফ সিগা শান্নখিবা মেটচতা রিয়েল কাশ্মিরনা নেরোকা এফ সিবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা রিয়েল কাশ্মিরগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু দেনিস ফারুকনা মিনিট ৪২ চৎপদা লাইন্দোগী ক্রোশিংদা চনখি।

নেরোকাগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ১০ দা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা পঞ্জাব এফ সিগী শান্নগনি।

**Hero I-League Point Table**

| Team | P | W | D | L | F | A | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Mohun Bagan | 14 | 11 | 2 | 1 | 33 | 12 | 21 | 35 |
| Punjab FC | 15 | 5 | 8 | 2 | 20 | 17 | 3 | 23 |
| Real Kashmir | 14 | 6 | 4 | 4 | 16 | 13 | 3 | 22 |
| Churchill Brothers | 14 | 6 | 2 | 6 | 22 | 19 | 3 | 20 |
| East Bengal Club | 15 | 5 | 5 | 5 | 22 | 18 | 4 | 20 |
| Chennai City FC | 14 | 5 | 4 | 5 | 17 | 18 | -1 | 19 |
| Gokulam FC | 14 | 5 | 4 | 5 | 18 | 18 | 0 | 19 |
| **TRAU** | **16** | **5** | **4** | **7** | **16** | **27** | **-11** | **19** |
| Aizawl | 14 | 3 | 7 | 4 | 17 | 18 | -1 | 16 |
| Neroca FC | 15 | 4 | 3 | 8 | 21 | 30 | -9 | 15 |
| Indian Arrows | 15 | 2 | 3 | 10 | 7 | 19 | -12 | 9 |

# এম পি এস সিনা ১৫ শুবা করাম বিরামনি নীংশিং ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৪ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা টি আর ৱাই ভি সি উখ্রুলবু থোইদুনা ১৫ শুবা লেট করাম বিরমঙ্গোল মেমোরিয়েল ষ্টেট লেভেল ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট, ২০২০গী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা মাইরেনখোঙ রাইজিং ক্লব, লিলোং চজিংনা শিন্দুনা হৌখিবা মার্চ ১ দগী হৌদুনা মাইরেনখোঙ পুথিবা লম্পাক্তা টিম ৬ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরকপা টুর্নামেন্ট অসিগী অরোয়বা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এম পি এস সিনা টি আর ৱাই ভি সি উখ্রুলবু সেট ৩–২ (২১–২৫, ১২–২৫, ২৫–১৮, ২৫–২৩, ১৫–১২)দা মাইথিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখিবনি। টুর্নামেন্টগী বেষ্ট প্লেয়রনা টি আর ৱাই ভি সি উখ্রুলগী জর্সি নম্বর ১৮ ফোমলৈনা তাখি অমদি বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমনা ৱাই সি জি সি লিল্লোং চজিং কোঞ্জেং লৈকাইনা তাখি।

সেমি ফাইনেলদা এম পি এস সিনা এম আই কে ঐচ ৱাই এ ময়াং ইম্ফালবু সেট ৩–০ (২৫–১০, ৩২–৩০, ২৫–১৭) দা অমদি অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা টি আর ৱাই ভি সি উখ্রুলনা কচাথোল হিরানমৈবু সেট ৩–২ (২৫–১৮, ২৩–২৫, ২৫–১২, ১৯–২৫, ১৫–১২)দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা য়ুথ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্টকী মিনিষ্টর লেটপাউ হাউকিপনা চীফ গেষ্ট, সি এ এফ এন্দ পি দিগী মিনিষ্টর কে শ্যামনা প্রসিদেন্ট, পি দি এগী চিয়রমেন তোংব্রম রোবিন্দ্রোনা স্পিসিয়েল গেষ্ট, এল জে পি লংথবাল কেন্দ্রগী প্রসিদেন্ট এল বিরেনয়াইমা অমদি লৈখিদ্রবী করাম বিরমনিগী লোয়নবী করাম ওংবী মেম্মা দেবীনা গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা মিনিষ্টর লেটপাউ হাউকিপনা হায়, খেল্লো ইন্দিয়াগী মখাদা লিলোং চজিং কাঙজেবুং অসি লুপা ক্রোর ২.৮ লোম চংনা শেমগৎনবা সেঙ্কসন তৌরে। মণিপুর অসি স্পোর্টনা মালেমদা শক্তক্লিবনি। অদুবু হৌজিক্কী মতমদা অনৌ অনৌবা থোরক্লিবা ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিং অসিনা নহাশিংবু স্পোর্টকী লমদগী চীংথবগুম্না তৌরক্লি।

মতম অমদা শান্নবুং ওইনা লৈরম্বা লম্পাক কয়া চাউখৎ থৌরাংগী মীংদা কম্যুনিতি হোল শাবগী মীংদা লোইনা মাঙহনবা অসি তোক্লসি হায়খি।

হন্দক্তা পাঙথোকপা লৈবাক অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্টরশিংগী কনফরেন্সতা ষ্টেট কয়ানা লুপা ক্রোর ক্রোর চংবা ষ্টেদিয়ম দিমান্দ তৌনবা মতমদা মহাক্না ষ্টেট অসিগী ওইনা মফম কয়াদা লম্পাক অমমম শেমগৎনবা প্রপ্রোজ তৌবা মতমদা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী মিনিষ্টরশিংনসু মখোয়সু মদু পাঙথোক্লিংবগী অপাম্বা উৎনরকখিবা লৈখি।

মণিপুরগী শান্নরোইশিং অসি মশান্না খুদিংমক্তা হৈতবা লৈতে। লমদম অসিগী নহারোলশিংবু শেমগৎপদা মহাক্না অঙম্বা থাক্তা মতেং পাঙগনি হায়খি।

প্রসিদেন্টকী ৱারোলদা মিনিষ্টর কে শ্যামনা হায়, মহাক্কী অপোকপা কে বিরমনি অসি ভোল্লিবোল শান্নবা পামজবা মীওই অমা ওইনা হৌরকখিবা অদুবু নিংশিংবা ওইনা লোয়ননা হৌজিক ষ্টেট অসিদা তপ্না তপ্না মশীং হন্থরক্লিবা ভোল্লিবোল মশান্না অসিবু য়োকখৎনবা পান্দবদা য়ান্না ঙল্লিঙৈগী মতমদগী টুর্নামেন্ট অসি শিন্দুনা লাকপনি।

মথংগী টুনার্মেন্টতগী ৱিন্নরদা লুপা লিশিং ৬০ অদুগা রন্নর টিমদা লুপা লিশিং ৪০গী শেলগী মনা পীরগনি। মসিগা লোয়ননা মাইরেনখোঙ পুথিবা লম্পাক অসিগী তোৰ্ৱান অসিদা গেলরি অমা শেমগৎলগনি হায়খি।

ময়াই কাবা চিঙ্গাক্লা লমদম অসিগী নহা কয়া লাকশিনলকপগী ফিভম অমা লাক্লিবা অসিদগী কনগে হায়রবদি মমা মপা ওইবাশিংনা মচাশিংবু শান্না খোৎনবগী লমদা চিং শিনবীবা তাঙাইফদে হায়খি।

খেল্লো ইন্দিয়াগী মখাদা লিলোং চজিং কাংজৈবুং শেমগৎকদৌরিবা অসি মীয়ামগীদমক্তনি। মরম অসিনা মসিগী খুদোংচাবা অসি লৌনবা হোৎনসি। শান্ন খোৎনবগী লমদা মহাক্কী মায়কৈদগী পাঙবা য়াবা মতেং পাঙগনি হায়খি।

# নিসা থাংমৈবন্দ অমদি এ আই এম মায় পাকখ্রে



MSL

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা খুমুকচম জয়কিসন সিংহনা স্পোন্সর তৌদুনা মমাঙ থা ৬ দগী ইম্ফালগী খুমন লম্পাক অর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা টিম ১৫ না সিঙ্গল লেগ রাউন্দ রোবিন লীগতা শরুক য়াদুনা চথরিবা ১৩ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯–২০গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা নিসা থাংমৈবন্দনা শাগোলবন্দ য়ুনাইটেদবু গোল ৩–১ দা অমদি অতোপ্পা মেটচ অমদা এ আই এম খাবমনা এ এফ সি থৌবালবু গোল ৭–২ দা মায়থিবা পীদুনা ফুল পোইন্ট ফঙখ্রে।

৪৯ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদা মায় পাক্লবা নিসা থাংমৈবন্দগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২৫ ওকোরোগোনা মিনিট ৫৪, জর্সি নম্বর ৪ লমজিংবা মুতুমনা মিনিট ৯০ অমদি জর্সি নম্বর ৮ এন মোমোচানা মিনিট ৯০ প্লস ৩ দা চনখি। মায়থিরবা শাগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৫ ঐচ প্রেমানন্দনা মিনিট ২৬ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা নিসাগী জর্সি নম্বর ৮ এ মোমোচা, জর্সি নম্বর ৪ লমজিংবা মুতুম অদুগা শাগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী জর্সি নম্বর ১৯ টিঐচ ইতোম্বদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টি প্রেমজিৎ, এমডি লতিফ অলি, এল সনাতোম্বা অমদি ঐচ শন্তোসনা মথংশীৎনা সেন্টর রেফ্রি, এষ্টিটেন্ট রেফ্রি–১, এষ্টিটেন্ট রেফ্রি–২ অমদি ফোদ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

৫০ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদা মায় পাক্লবা এ আই এম খাবমগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২০ পিটর হাওকিপনা মিনিট ৪০, ৪৯, ৬৯ দা গোল ৩, জর্সি নম্বর ১৩ জোনি কোমনা মিনিট ৩০, জর্সি নম্বর ১৮ বিকাস য়ুম্নামনা মিনিট ৩৬, জর্সি নম্বর ৭ দেবিদনা মিনিট ৭৫ অমদি জর্সি নম্বর ২৩ এন সান্তনুনা মিনিট ৭৭ চৎপদা চনখি।

মায়থিরবা এ এফ সি থৌবালগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১৯ ও রোহিটনা মিনিট ৫৪ অমদি জর্সি নম্বর ১০ ৱাই সোভানা মিনিট ৮০ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা এ আই এম খাবমগী জর্সি নম্বর ৫ সিঐচ কেনসন অমদি জর্সি নম্বর ২১ সিলেনমাংদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদাএস ঐচ সুরেস, টি ঐচ দিনেশ্বর, এস প্রেমকুমার অমদি এস তোম্বীনা মথংশীৎনা সেন্টর রেফ্রি, এষ্টিটেন্ট রেফ্রি–১, এষ্টিটেন্ট রেফ্রি–২ অমদি ফোদ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েং অয়ুক পুং ১১.৪৫ তাবদা নাকো অমদি নেরোকা এফ সিগা অদুগা নুংথিল পুং ২ দা জি এস সি অমদি য়ু কে বিগা শান্নগনি।

# এল সি সি সি লিল্লোং চাজিংনা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৪ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন ( এম সি ভি এ)না শীন্দুনা মমাঙ থা ১৩ দগী টিম ৯ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দা চথরিবা ৮ শুবা টি–২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২০গী ৱিন্নর এল সি সি সি লিল্লোং চাজিংনা ওইখ্রে।

টুর্নামেন্টগী অরোয়বা মেটচ ওইনা ঙসি ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল অমদি এল সি সি সি লিল্লোং চাজিংনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এল সি সি সিনা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালবু ৱিকেট ৫ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্টগী মপু ওইখিবনি।

মেটচ অসিদা এল সি সি সি লিল্লোং চাজিংনা তোস ঙমদুনা বোল্লিং হানা খনবদা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা ওভর ১৯ দা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১০৬ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা এল সি সি সি লিল্লোং চাজিংনা ওভর ১৫.৩ দা ৱিকেট ৫ আউট ওইরগা অপীবা টাগেট ১০৭ লৌদুনা মেটচ অসি ৱিকেট ৫ দা মায় পাকখি।

ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী বেট্টিংদা শাশিকান্তনা বোল ১৫ দা রন ২৯, মনাওবীনা বোল ২৮ দা রন ২৪, গোজেন্দ্রোনা বোল ১৭ দা রন ১৪ অমদি রোজেসনা বোল ৯ দা রন ১১ লৌখি। এল সি সি সি লিল্লোং চজিংগী বোল্লিং দা সঞ্জিৎনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ৩, ইকবালনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ২, কৃষ্ণনা ওভর ৩ দা ৱিকেট ১ অমদি জিলানা ওভর ৪ দা ৱিকেট ১ লৌখি।

এল সি সি সি লিল্লোং চাজিংগী বেট্টিংদা নন্দকুমারনা বোল ৩০ দা রন ৩৫, গুলসননা বোল ২১ দা রন ২৬, সঞ্জিৎনা বোল ১১ দা রন ১৯ অমদি কৃষ্ণনা বোল ১০ দা রন ১০ লৌখি। ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী বোল্লিংদা প্রিয়োকুমারনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ২ অদুগা রোজেস, কুমারজিৎ অমদি প্রেমচন্দ্রনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ সি মেটচনা এল সি সি সি লিল্লোং চাজিংগী ৱিকেট ৩ অমদি রন ১১ লৌখিবা এন সঞ্জিৎনা তাদুনা শেল ওইনা লিশিং ১ ফঙখি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা এল সি সি সি লিল্লোং চাজিংদা খুরাই কোংপাল নিংথৌখোং লৈকাইদগী টি রোজিৎকুমারনা লৈখিদ্রবা মহাক্কী অপোকপা তোইজম কেরানিগী মিংদা কৎপা শেল ওইনা লিশিং ১৫ গা লোয়ননা রোল্লিং ট্রোফি অদুগা রন্নস অপ তাখ্রবা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালদা শাগোলবন্দ সলাম লৈকাইদগী টিঐচ জয়কুমারনা লৈখিদ্রবা মহাক্কী অপোকপা থোকচোম নিলামনিগী মিংদা কৎপা শেল ওইনা লিশিং ১০ গা লোয়ননা রোল্লিং ট্রোফি ফঙখি।

সেমি ফাইনেলিষ্ট সাইক্লোন অমদি মোদেল ক্লবতা শাগোলবন্দ কাঙাবম লৈকাইদগী এম রাজেন্দ্রানা লৈখিদ্রবা মহাক্কী অপোকপা বিরমঙ্গোল অমদি অপোকপী থরোশংবীগী মিংদা কৎপা শেল ওইনা লিশিং অমমমগী মনা ফঙখি।

হায়য়েষ্ট ৱিকেট টেক্করনা এল সি সি সিগী কৃষ্ণকুমার অমদি মোদেল ক্লবগী সরতচন্দ্রনা তাখি। হয়য়েষ্ট রন স্কোলরনা সাইক্লোনগী শাচিকুমারনা অদুগা মেন ওফ দি সেরিসনা মোদেল ক্লবকী সুরেসনা তাখি।

# য়ু পি এস এ সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা গ্রুপ সেন্টর সি আর পি এফ লাঙজিংনা আই জি পি মণিপুর অমদি নগালেন্দ সেক্টর সি আর পি এফনা শীন্দুনা মমাঙ থা ১৯ দগী তাকয়েলদা লৈবা সাই স্পোর্টস কম্পলেক্সতা টিম ২৫ না নোট আউটতা বেসিসতা শরুক য়াদুনা চথরিবা ১০ শুবা সহীদ মনোরঞ্জন সিংহ নীংশিং ষ্টেট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ু পি এস এ পুখাওনা দব্লিউ ৱাই এফ সি ৱাঙজিংবু কিক ফোম পেনাল্টি মাকতা গোল ৭–৬ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

# এফ সি ইম্ফাল সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ (এস এন এস)ঃ

অকাম্পাৎ ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা মমাঙ থা ১৬ দগী এলবেন ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ফুটবোল গ্রাউন্দ অকাম্পাৎতা টিম ১৫ না গ্রুপ–৩ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরিবা ৮ শুবা কোইজম য়াইমা নীংশিং ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০ গী অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা শান্নখিবদা এফ সি ইম্ফাল ময়াইকোইবীনা য়ু ভি এস এ (সি) লিল্লো চাজিংবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা এফ সি ইম্ফালগী গোলশিং অদু এন হিমাচন্দ্রনা মিনিট ১২ অমদি টিঐচ কৃষ্ণনা মিনিট ১৪, ১৯ অমদি ৩৩ দা চনখি।

মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ফ্লাম য়াইস্কুলনা টি বি এস এফ এ (বি) তবুংখোকপু গোল ২–০ দা থোয়খি। ঙরাংগী অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলগী লেমহৌবা মিনিটশিং শান্নখিবদা কে ভি এফ এনা টি বি এস এফ এ (এ) তবুংখোকবু ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

# নিলিট মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ (এস এন এস)ঃ

য়ুনাইটেদ য়ুথ ওর্গনাইজেসন শিংজমৈ ভৈগোবটি লৈকাইনা শীন্দুনা ঙসিদগী টিম ৩২ না নোট আউট বেসিসতা শরুক য়াদুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা অহানবা থোকচোম অনৌবী দেবী নীংশিং সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা নিলিটনা য়ু ৱাই ও(এ)বু ১০–৬ দা, অনীশুবা মেটচতা বোনি এফ সিনা য়ু এফ এফ সিবু ২–১ দা, অহুমশুবা মেটচতা আই বি এস এনা মম্বাবু ৪–০ দা, মরিশুবা মেটচতা জোন এফ সিনা এ বি এফ পিবু ৪–০ দা অমদি হাও জুনিয়রনা এম য়ু এফ সিবু ৩–০ দা থোয়খ্রে।

# ৱাই দি সি এল অমদি ওকসু ড্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ (এস এন এস)ঃ

ও এফ এ পুঙদোংবমনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৩ দগী টিম ২৪ না গ্রুপ–৮ থোক্লা খায়দোক্তুনা ও এফ এগী প্লে গ্রাউন্দা চথরিবা ১৮ শুবা ও এফ এ কপ ২০২০ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই দি সি এল পুঙদোংবম অমদি ও এন ৱাই সি ওকসু নিংথেমচা খুল গোল ৪–৪ দা ড্রো চৎখ্রে। ৱাই দি সি এলগী গোলশিং অদু সনামচানা ৩ অমদি লক্কিসননা ১ চনখি। ওকসুগী গোলশিং অদুনা জিতেননা ২, রোহিট অমদি অমরজিৎনা অমমম চনখি।


**APOLLO ACADEMY**

*Moulding Medical & Engineering Career*

**ADMISSION OPEN**

FORM ISSUE 14/02/2020

**CRASH COURSE FOR NEET(UG) ASPIRANTS - 2020**

CLASS STARTS 16/03/2020

SPECIAL CONCESSION FOR STUDENTS SCORING in X (2018)/XII Sc. (2018/2019)

* 85% & above - FREESHIP * 75% to 85% - 20% Concession
* 65% to 75% - 15% Concession * 60% to 65% - 10% Concession

ELIGIBILITY :- 10+2 (Sc) Passed/ Appeared COURSE FEE :- RS. 10,000/-

FOR DETAILS :- Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.



Hurry ! Hurry !




Grab your favorite MCUBE potli (bag) fot this wedding season and Holi festival.

Add: Palace Compound, Imphal

Contact : 8732048847

SL/5925/5


Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com